
# য়ু এস ওপন : মরে, পোট্রো, হালেপনা য়ু এস ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে





ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০৬ :

অনীশুবা সীদ অমসুং কুমজা ২০১২ গী চেম্পিয়ন এন্দি মরেনা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিট্রোভপু ৬-১, ৬-২, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা মফম অসিদা চথরিবা য়ু এস ওপনগী তরুক্লশুবা ওইনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবগা লোয়ননা মহাক্কী খ্বাইদগী য়াংনা সার্ভ তৌবগী রেকোর্দসু থমখ্রে।

মশাগী চহী ২৯ শুরবা ৱিমব্লেদন অমদি ওলেম্পিক্কী হৌজিক চেম্পিয়ন ওইরিবা অসিনা ২২ শুবা সীদেদ দিমিট্রোভকা তরারক মায়োক্লখিবদা তরেৎলকশুবা ওইনা মায় পাক্কুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা চঙখি। মরেনা অহানবা সেটতা ৩-১ দা মাঙজিল থানা চৎখিদুনা দিমিট্রোভপু সেট অদুদা ৬-১ দা মায়থীবা পীখি। মেচ অদুগী অরোইবা সেটতা মরেনা পুংদা মিটর ১৪১ (কিলোমিটর পার অৱরদা ২২৬.৯) য়াঙনা কন্দুনা রেকোর্দ থমখিবগা লোয়ননা মহাক্কী সার্ভিসতা দিমিট্রোভপু পোইন্ট মঙা লৌহনখি।

মরেনা হায়খি, ঐনা সান জোসতা পুংদা মিটর ১৪৫ য়াঙনা কনবা ঙমখ্রে অদুবু মেছিনদা নিংথিনা থমহৌদবদগী কাউন্ট তৌবা ঙমখিদে। অদুবু মেচ অসিদা অহানবা ওইনা ১৪০ গী মথক্তা য়াঙনা য়েবা ঙমখি হায়না মশাগী চহী ২৯ শুরবা অসিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্ল মখা তারদুনা হায়, মসি লাইবক ফবা হায়বদুনি অমদি ঐনা মসি অমুক হন্না তৌরক্কনি হায়বসি থাজবা লৈখি হায়না ফোঙদোকখি। মরেনা মথংগী মেচতা জপানগী তরুকশুবা সীদ কৈ নিশিকোরিগা লন্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

কুমজা ২০১৪ গী রন্নর-অপ তাখিবা তরুকশুবা সীদ কৈ নিশিকোরিনা মশাগী চহী ৩৭ শুরবা ইভো কার্লোভিকপু ৬-৩, ৬-৪, ৭-৬ (৭/৪) দা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট আইটতা খুমাঙ চাউশিনখিবনি। মেচ অদুদা কার্লোভিকনা এস ২১ কনখি অদুবু নিশিকোরিনা ৱিন্নর ৪৪ অমদি অনফোর্স ইরর তরেৎ তৌখি।

মেচ লোইরবা মতুংদা নিশিকোরিনা হায়, ইভোগুম্বা কনাগুম্বশিংগী সার্ভিংগী মমাঙদা মায়োক্লদুনা শান্নবা হায়বসি অরায়বা নত্তে, মখোয়গী সার্ভশিং হনবা হায়বসি কৈদৌঙৈদো অরায়বা অমা নত্তে। অদুবু ঐনা পুক্নিং ফথনা লৈখি। ঐনা মহাক্কী সার্ভ অদু নিংথিনা হনখি, মদুনা মরম ওইদুনা ঐঙোন্দা মতেং য়াম্না ওইখি। ঐনা সার্ভ, রির্টন, গ্রাউন্দ ষ্ট্রোকশিং য়াওনা খ্বাইদগী ফবা মেচ শান্নখি হায়না ঐনা খল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০০৯ গী চেম্পিয়ন জুআন মার্টিন দেল পোট্রোনা খ্বাইদগী রেঙ্ক নেম্বা প্লেয়র ওইনা চহী ২৫ অসিদা ওপন অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙম্বা ওইখি। রেঙ্ক ১৪২ শুবদা লৈরিবা দেল পোট্রোনা নিপানশুবা সীদেদ দোমিনিক থিয়েমদগী ৬-৩, ৩-২ দা মাঙজিল থানা চৎলিঙৈ তাঞ্জাদা ওষ্ট্রিয়ন অসিনা মহাক্কী য়েৎ থংবা খুউদা শোকখিবদগী রিটয়ার্দ তৌখিদুনা দেল পোট্রোনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি। দেল পোট্রোনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ফেল্লো গ্রান্দ স্লাম টাইটল ৱিন্নর ষ্টান ৱারিঙ্কাগা লন্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

মমাঙগী ওষ্ট্রেলিয়ন অমদি ফ্রেঞ্চ ওপন চেম্পিয়ন ৱারিঙ্কানা থংন-থংননা মরিরকশুবা ওইনা ন্যু য়োর্কতা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। মহাক্না য়ুক্রেনগী রেঙ্ক ৬৩ শুবদা লৈরিবা ইল্লয়া মাচেঙ্কোবু ৬-৪, ৬-১, ৬-৭ (৫/৭), ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

দেল পোট্রোনা কুমজা ২০১৪ গী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী মতুংদা মহাক্কী অনীরকশুবা গ্রান্দ স্লাম ইভেন্ট ওইনা য়ু এস ওপনদা শান্নরকখিবনি।

## সানিয়া মিরজা-বার্বারা ষ্ট্রাইকোভানা য়ু এস ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০৬ :

সানিয়া মিরজা অমসুং বার্বারা ষ্ট্রাইকোভানা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীখিদুনা নিকোল গিববস অমদি নাওহিবিনোবু মায়থীবা পীরম্লগা মফম অসিদা চথরিবা য়ু এস ওপনগী নুপীগী দবলস ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

ইন্দো-চেক্কী অপুনবা জুরা অসিনা অমেরিকান-জপানিজগী জুরাবু নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেচতা ৬-৪, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা চঙখিবনি।

তরেৎশুবা সীদতা লৈরিবা ইন্দো-চেক্কী জুরা অসিনা টোপ সীদেদ ফ্রেঞ্চকী দো কারোলিন গার্সিয়া অমদি ক্রিষ্টিনা মলাদেনোভিক্কা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা লন্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

রোহন বোপান্না অমদি লীএন্দর পেসনা মখোয় মখোয়গী পার্টনর-শিংগা মিক্স দবলসতা ওপন অসিদগী মপান থোকখ্রবা মতুং সানিয়া মতোমখক্তনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা টুর্ণামেন্ট অসিদা লৈহৌখিবনি।

দিফেন্দিং চেম্পিয়ন পেস অমদি মহাক্কী স্বিস পার্টনর মার্টিনা হিঙ্গিসনা ওপন অসিগী অনীশুবা রাউন্দদা অমেরিকাগী তরেৎশুবা সীদেদ কোকো ভান্দেৱেঘে অমদি রজিভ রামগী মখুৎতা মায়থীদুনা ওপন অসিদগী মপান থোকখিবনি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা বোপান্না অমদি মহাক্কী পার্টনর গাব্রেলা দাব্রোস্কিনা মিক্স দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীদুনা লৈহৌখিবনি।

বোপান্না অমদি দাব্রোস্কিনা কনাডাগী রোবার্ট ফারহ অমদি জর্মনিগী অন্না-লেনা গ্রোনে-ফেল্ডগী মখুৎতা ৬-১, ২-৬, ৮-১০ দা মায়থীদুনা টুর্ণামেন্ট অসিদগী মপান থোকখি।

# আইজোল এফ সি, দি এস কে শিভাজিয়ন্সনা দুরান কপকী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০৬ :

আই লীগকী টিমশিং ওইরিবা আইজোল এফ সি অমসুং দি এস কে শিভাজিয়ন্সনা মফম অসিদা চথরিবা ১২৮ শুবা দুরান কপ ফুটবোল টুর্ণামেন্টকী নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা মখোয় মখোয়গী মেচশিংদা মায় পাক্কুনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

মফম অসিগী হরবাকশ ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা পুল এগী মেচতা দি এস কে শিভাজিয়ন্সনা আর্মি গ্রীনবু ২-১ দা মায়থীবা পীখি। পুল অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদা গাংটোক হিমালয়ননা ইন্দিয়ন নেভিবু ২-১ দা মায়থীবা পীখি। অদুগা পুল বিগী মেচতনা আইজোল এফ সিনা আর্মি রেদপু ১-০ দা মায়থীবা পীরমখি।

আইজোলগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু টিম অসিগী ঘানিয়ন ষ্ট্রাইকর ব্রাইট মিদ্দলটননা মেচকী মিনিট ৫২ চৎপা মতমদা চনখি। আইজোল এফ সিনা মায় পাকখিবা অসিনা টুর্ণামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবদা নত্তনা মহাক্কী গ্রুপ বিগী খ্বাইগী মকোক্তসু লৈবা ঙমখ্রে। আইজোল এফ সিনা টুর্ণামেন্ট অসিদা ফংখিবা গেম মঙাগী মনুংদা মরিদগী পোইন্ট মাপন ফংখি। মসিগী মায় পাকখিবা অসিনা আইজোল এফ সিগী অহুম্লকশুবা মায় পাকপসু ওইখি। অদুগা মেচ অমনা মণিপুরগী সাইদ নেরোকা এফ সিগী মখুৎতা মায়থীহৌখিবনি। পুল অসিদগী নেরোকা এফ সিনা অনীশুবা টিম ওইনা সেমী ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিল্লক্কনি হায়না লৌনরি। অদুগা আর্মি রেদনা পোইন্ট মঙা ফংদুনা লৈরি।

অমরোমদা মফম অসিগী হরবাকশ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা পুল এগী মেচতা শিভাজিয়ন্সনা আর্মি গ্রীনবু ২-১ দা মায়থীবা পীখি। শিভাজিয়ন্সকী মায় পাকপগী গোল অনী অদু স্পানিশ ৱিঙ্গর অমদি স্কিপ্পর জুআন ক্বেরোনা পেনালটিদা মেচকী মিনিট ৬ অমদি মিনিট ৯ চৎপা মতমদা গোল ওন্থোকখিদুনা মায় পাকখি। আর্মি সাইদকী ওইনা হেরোজিৎ সিংহনা মেচকী মিনিট ৩৬ চৎপা মতমদা গোল চনশিন্দুনা ইক্বেলাইজ তৌখি। গোল অহুম্মক ফাষ্ট হাফতা চনখিবনি।

মসিগী মায় পাকখিবা অসিনা পুনে সাইদ অসিনা গেম মঙাদগীী পোইন্ট ১০ ফংদুনা লৈখ্রে।

অরোইবা মেচতা গাংটোক হিমালয়ন্না ইন্দিয়ন নেভিবু ২-১ দা মায়থীবা পীখি। গাংটোক হিমালয়নগী গোলশিং অদু ফাষ্ট হাফকী মিনিট অহুমগী মনুংদা নিমা লেপচা অমদি সঞ্জয় চেত্রিনা চনখি। অহানবা হাফ ফাওবদা গাংটোকনা ২-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। ইন্দিয়ান নেভিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা সেকেন্দ হাফ হেক শান্নবা হৌখিবা মিনিট অনীগী মনুংদা চনখিদুনা ইক্বেলাইজ তৌখি।

দি এস কে শিভাজিয়ন্সগী মেনেজর দেভ রোজরনা মেচ অদুগী প্লেয়িং ইলেভেনদা শান্নরোয় তরেৎ শিন্দোকখি। মখোয় অদুদি গোল কিপর রক্সিট তাগর, সাইরুট কিমা, রোহিৎ কুমার, শেন মেকফাওল, জোমিংলিয়ানা রালতে অমদি গগনদীপ সিংহনি। অদুগা হিটোভা আয়েমীনা মহাক্কী অহানবা ওইনা শরুক য়াখি।

# ন্যু জিলেন্দগী ইন্দিয়ন টূরগী স্কাদতা নীশাম, গুপ্টিল য়াওরে



ৱেলিংটন, সেপ্টেম্বর ০৬ : ন্যু জিলেন্দনা ইন্দিয়াদা টূর তৌদুনা চৎলিবা থা অসিগী অরোইবা শরুক্তা শান্নগদৌরিবা টেষ্ট মেচ অহুমগী সেরিজগীদমক মসিগী স্কাদ অমা লাউথোকখিবদা ওল রাউন্দর জিম্মি নীশাম য়াওখ্রে।

টেষ্ট মেচ মাপন শান্নখ্রবা নীশামনা মমাঙ চহীগী নভেম্বরদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়োক্তা শান্নখিবা সেরিজদা মহাক্কী মনঙ্গদা অনাবা লৈখিবদগী সেরিজ অদুদা মপুং ফানা শান্নদনা ময়ুমদা হল্লকখিবনি। মহাক্ল মমাঙগী ন্যু জিলেন্দগী দোমিষ্টিক সিজন মনুংদা ওটাগো প্রোভিন্সকীদমক শান্নখি অমদি ইকুই কুইদনা ইংলিশ কাউন্টি দর্বেশিয়রদসু শান্নখ্রে। ন্যু জিলেন্দগী ইন্দিয়াদা টূর তৌগদৌরিবা স্কাদ মেম্বর ১৫ গী মনুংদা য়াওখ্রবা নীশামনা হন্দক্তা ন্যু জিলেন্দনা জিম্বাবৱে অমদি সাউথ অফ্রিকাগা মায়োক্লদুনা শান্নখিবা টেষ্ট সেরিজদা য়াওখিদবনি। অফ্রিকান টূরদা য়াওখিবা ওপনিং বেটসমেন জীট রাভল অমদি ফাষ্ট বোল্লর মেট্ট হেনরিনা ইন্দিয়াগী টূর অসিদা য়াওবা ঙমখিদ্রে।

সাউথ অফ্রিকান সেরিজ মনুংদা রন ৭,৮ অমদি ০ খক্তমক লৌখিবা মার্টিন গুপ্টিল স্কাদ অসিদা য়াওবা ঙমখিবগা লোয়ননা ওপনর ওইনা লৈখি। গুপ্টিলনা জিম্বাবৱেগা মায়োক্লদুনা শান্নখিবা মেচতা রন ৪০, ৮৭ অমদি ১১ লৌবা ঙমখি। অদুবু মহাক্কী টেষ্ট এভরেজদি ৩০ গী মখাদা নেম্না লৈরি। মহাক্ল মহাক্কী এভরেজ য়ামখৎনবগীদমক অনৌবা বোলশিং মায়োক্লবা মথৌ তারি। ইন্দিয়া অমদি ন্যু জিলেন্দনা শান্নগদৌরিবা টেষ্ট মেচ অহুমগী সেরিজ অসিগী অহানবা টেষ্টনা কানপুরদা সেপ্টেম্বর ২২ দা, কোলকত্তাদা সেপ্টেম্বর ৩০ দা অমসুং ইন্দোরদা ওক্টোবর ৮ দা শান্নগনি।

# রিও পরালিম্পিক্স গেমস পাঙথোকপা হৌরগনি, ইন্দিয়াগী এথলেট ১৯ গী কন্টিঞ্জেন্ট অমনা শরুক য়াগনি

## স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা মেদলিষ্টশিংদা পীগদবা কেস এৱার্দ লাউথোকখ্রে



রিও দি জানৈরো, সেপ্টেম্বর ০৬ :

চৎলিবা থা অসিগী ৭ তগী হৌগদৌরিবা রিও পরা লিম্পিক্স গেমসদা মেদল লৌরক্লবা পরা এথলেটশিংদা পীগদবা শেনফমশিং স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়, পরা লিম্পিক্স গেমসদা গোল্ড মেদল লৌরকপা পরা এথলেটতা লুপা লাখ ৭৫, সিলভর মেদল লৌরকপদা লুপা লাখ ৫০ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকপদা লুপা লাখ ৩০ গী কেস এৱার্দকী শেনফমশিং মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফ্যোর্স এন্দ স্পোর্টস (এম ৱাই এ এস) তগী পীগনি হায়রি।

কুমজা ২০০৪ গী এথেন্স পরা লিম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী অহানবা গোল্ড মেদল লৌখিবা দেভেন্দ্রা ঝাজহারিয়ানা গেমস অসিদগী এফ ৪৬ কী কেটেগোরিগী জেভলিন থ্রো ইভেন্টতা মেদল শোয়দনা লৌগনি হায়বগী মিৎয়েং থম্লি।

অমরোমদা ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা রিও দি জানৈরোদা চৎলিবা থা অসিগী ৭ তগী ১৮ ফাওবা নুমিৎ ১২ নি চূপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৫শুবা রিও পরালিম্পিক্স গেমসদা ইন্দিয়াগী এথলেট ১৯ না শাবা খ্বাইদগী চাউবা কন্টিঞ্জেন্ট অমনা শরুক য়ারগনি।

ইন্দিয়াগী এথলেট ১৯ না শাবা কন্টিঞ্জেন্ট অসি রিওগীদমক মাঙজৌননা ইন্দিয়া থাদোকখিদুনা মফম অসিদা থুংখ্রবনি। ইন্দিয়ানা মমাঙদা পাঙথোকখিবা পরা লিম্পিক্স গেমস ১২ দা শরুক য়াদুনা গোল্ড মেদল অনী, সিলভর মেদল অহুম অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল অহুম পুন্না মেদল নিপান লৌবা ঙমখ্রে। হয়েংদগী পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা পরা লিম্পিক্স গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী পরা এথলেটশিংনা য়াম্লবা মেদলশিং লৌবা ঙমগনি হায়বগী চাউরবা থাজবা অমা লৈরিবনি।

ইন্দিয়াগী পরা এথলেট টিম অসিনা তোঙান তোঙানবা স্পোর্টস দিসিপ্লিন মঙাদা শরুক য়াগনি। মখোয়শিং অদুদি এথলেটিক্স, স্বিমিং, শুটিং, পৱরলিফটিং অমদি আর্চরিনি। ইন্দিয়াগী পরা এথলেটশিংগী মনুংদা য়াওরিবা এথলেট দিপা মালিকনা পরা লিম্পিক্স গেমস অসিদা মহাক্কী হৈথোই-শিংথোইবা অদু উখোক্তুনা মেদল লৌগনি হায়বগী অচেৎপা পান্দম থম্লি।

এথলেট দিপা মালিকনা হায়খি, ৩১শুবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবী সক্সি মালিকতগী সক্সি অসি লৌথোক্লবা অমদি জিম্নাষ্ট দিপা কর্মাকরদগী কর্মাকর লৌথোকখ্রবা মতুং দিপা মালিকখক্তমক লেমহৌরে। অদুনা ঐঙোন্দা অফাওবা মমিং অমা য়াওরে হায়না খল্লি। পরা লিম্পিয়নশিংগী খোঙচৎ অসি য়াম্না পুক্নিং নুংশিনিংঙাই ওই অদুবু ঐখোয়না ঈরৈবাক ইন্দিয়াগীদমক মিংচৎ পুরক্লবা অকনবা ফীরেপ লৌরি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াইমশাগী চহী ৪৫ শুরবী দিপা মালিক অসি মায় পাক্লবা স্বিমর, এদভেঞ্চ স্পোর্টস, ইন্টরনেসনেল এথলেট, বাইকর অমদি ওন্টপ্রিনর অমসু ওইরিবনি।

রিও দি জানৈরোদা হয়েংদগী পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা রিও পরালিম্পিক্স গেমসদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদৌরিবা পরা এথলেটশিংবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়াইফ মঙ্গোল পীখ্রবনি। প্রাইম মিনিষ্টরনা এথলেটশিংনা মখোয়গী লৈজরিবা মতীক মথৌনা পুম্নমক পুথোক্তুনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ শোয়দনা পুরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈ হায়না ফোঙদোকখিবনি।

ইন্দিয়াগী পরা লিম্পিক কন্টিঞ্জেন্টদা য়াওরিবা পরা এথলেটশিং অদুদি **এথলেটিক্সতা** মারিয়াপ্পান থাঙ্গাভেলু (হায় জম্প), ভারুন সিংহ ভার্টি (হায় জম্প), শরদ কুমার (হায় জম্প), রাম্পাল চাহার (হায় জম্প), সুন্দর সিংহ গুর্জাবু (জেভলিন থ্রো), দেভেন্দ্রা ঝাজারিয়া (জেভলিন থ্রো), রিঙ্কু (জেভলিন থ্রো), নরেন্দর রনবির (জেভলিন থ্রো), সন্দিপ (জেভলিন থ্রো), অমিট কুমার সারোহা (ক্লব থ্রো), ধরম্বির (ক্লব থ্রো), দিপা মালিক (শোট পুট), অঙ্কুর ধামা (মিটর ১৫০০ গী লমজেল), ভিরেন্দর ধঙ্কার (জেভলিন থ্রো, শোট পুট), অমদি করমজয়োটি দালাল (দিস্কস থ্রো) নি। **আর্চরিদা** পুজানি। **শুটিংদা** নরেশ কুমার শর্মানি। **স্বিমিংদা** সুয়াল নরায়ণ জাধভনি। **পৱরলিফটিংদা** বলা ফার্মাননি।

# বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী ইলেক্সন সেপ্টেম্বর ২৫ দা মুম্বাইদা পাঙথোক্লগনি



মুম্বাই, সেপ্টেম্বর ০৬ :

লৈবাক অসিগী ওইবা বোক্সিং ফেদরেসন অমা নৌনা শেম্নবা ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিএসন (আইবা) না খঙহন্দুনা লাকখ্রবা মতুং হন্দক্তা নৌনা শেমখিবা অমদি রেজিষ্ট্রার তৌখ্রবা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী ইলেক্সন লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ২৫ দা পাঙথোক্লনবা লেপখ্রে।

নৌনা শেমখ্রবা অমদি রেজিষ্ট্রার তৌখ্রবা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী ইলেক্সন পাঙথোক্লনবা মতম লেপ্পকখিবা অসিনা মশান্না অসিদা লৈতাদনা লৈরম্বা অদু লোইশিল্লগনি অমদি লৈবাকসিগী বোক্সিং শান্নরোয়শিংদা অনৌবা ইনোৎ অমসু পীবা ঙল্লগনি হায়না পাউগী সোর্স অমনা ফোঙদোরক্লি।

নৌনা শেমখিবা বোদি অসিগা মরী লৈনবা অৱাংবা থাক্কী পাউগী সোর্স অমনা ফোঙদোরকপা মতুং ইন্না বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া অসি থা অনীগী মমাঙদা শেমখি। বোদি অসি মুম্বাইগী রেজিষ্ট্রার ওফ সোসাইটিজদা রেজিষ্ট্রার তৌখি অমদি মসিগী বেঙ্ক একাউন্ট হাংদোকপগা লোয়ননা পান কার্দসু ফংখ্রে।

নৌনা শেম্লবা বোদি অসিগী ইলেক্সন লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ২৫ দা পাঙথোক্লনবা নোটিশ থোকখিবগা লোয়ননা ইলেক্সন অদু কান্দিভলিদা লৈবা মুম্বাই ক্রিকেট এসোসিএসনগী সচিন টেন্দুলকর জিমখানাদা পাঙথোক্লগনি হায়না পাউ অদুনা মখা তাখি।

পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা হৌজিক থবক তৌদনা লৈরিবা বোক্সিং ইন্দিয়াগী মীওইশিং অমদি নৌনা শেমখ্রবা বোদি অসিগী মেম্বরশিং শরুক য়ানবগীদমক চেবাউ পীখ্রে হায়রি।

পাউগী সোর্স অদুনা হায়, নোটিশ পীখিবা অদু মহারাষ্ট্রাদগী ইন্টরিম সেক্রেটরি ওইবা মীওই অমগী খুৎয়েক য়াওখি। ইলেক্সন পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগীদমক ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএসন (আইওএ) অমদি মশান্না অসিগী মালেমগী গভর্ণিং বোদি ওইরিবা ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিএসন (আইবা) দা মখোয়গী ওবর্জাবরশিং থারক্লবসু খঙহনখ্রে হায়রি।

# ও দি আই রেঙ্কিংদা ওষ্ট্রেলিয়ানা অহানবা পোজিসন, ইন্দিয়ানা অহুমশুবা মফমদা লৈখ্রে



দুবাই, সেপ্টেম্বর ০৬ :

ওষ্ট্রেলিয়ানা শ্রিলঙ্কাগী মায়োক্তা শান্নখিবা ও দি আই সেরিজদা ৪-১ দা মায় পাকখিবা অদুনা ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) না খ্বাইদগী নৌনা থোকখিবা ৱান দে ইন্টরনেসনেল (ও দি আই) রেঙ্কিংদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

অমরোমদা আই সি সিগী অনৌবা বেটসমেনগী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী ষ্টেট কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা মখা তানা অনীশুবা মফমদা লৈখিবগা লোয়ননা ওপনর রোহিৎ শর্মানা হান্নগী মফমদগী মফম অমা কুমথরক্তুনা তরেৎশুবা রেঙ্কতা লৈখ্রে।

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) না নৌনা থোকখিবা ও দি আই রেঙ্কিংদা ওষ্ট্রেলিয়ানা শ্রিলঙ্কাগী মায়োক্তা শান্নখিবা সেরিজ অদু ৪-১ দা মায় পাকখিবদগী অপুনবা পোইন্ট ১২৪ ফংদুনা অনীশুবা মফম কল্লিবা ন্যু জিলেন্দদগী পোইন্ট ১১ মাঙজিল থানা লৈখি। ন্যু জিলেন্দনা পোইন্ট ১১৩ ফংদুনা মতুং ইন্নরি। ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নখিবা সেরিজদা মায়থীখ্রবসু শ্রিলঙ্কানা পোইন্ট অমখক হন্থরগা তরুকশুবা মফমদা লৈখি। ইংলেন্দনা পাকিস্তানগী মায়োক্তা শান্নখিবা ও দি আই সেরিজদা ৪-১ দা মায় পাকখ্রবসু পোইন্ট অমখক হেঙ্গৎনা ফংদুনা অপুনবা পোইন্ট ১০৯ দা লৈদুনা মঙাশুবা মফম কনবা ঙমখি। ইন্দিয়ানা অপুনবা পোইন্ট ১১০ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি অদুগা সাউথ অফ্রিকাসু পোইন্ট ১১০ ফংদুনা মরিশুবা মফমদা লৈখ্রে। ইন্দিয়ানা দেসিমেল পোইন্টতা মকোক থোংনা লৈবদগী মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা লুচিংবা টিম অসিনা অহুমশুবা মফমদা লৈবা ঙমখিবনি।

কুমজা ২০১২ দগী হৌদোরকখিবা রেঙ্কিং সিষ্টেম অসিদা পাকিস্তান্না পোইন্ট অমা মাঙজদুনা অহানবা ওইনা পোইন্ট ৮৬ খক্তমক ফংবা ঙমদুনা মাপনশুবা রেঙ্কতা লৈখি। ৱেষ্ট ইন্দিজনা ৯৪ ফংদুনা নিপানশুবা মফমদা লৈখি। বংলাদেশনা পোইন্ট ৯৮ ফংদুনা তরেৎশুবা, অফঘানিষ্টাননা পোইন্ট ৪৯ ফংদুনা তরাশুবা, জিমবাবৱেনা পোইন্ট ৪৬ ফংদুনা তরামাথোই অমদি আইরলেন্দনা পোইন্ট ৪৩ ফংদুনা তরানিথোইশুবা মফমদা লৈখ্রে।

অমরোমদা আই সি সিগী বেটসমেনগী রেঙ্কিংদা ভিরাট কোহলিনা অপুনবা পোইন্ট ৮১৩ ফংদুনা রেঙ্কিংগী মকোক থোংবা মফম কল্লিবা সাউথ অফ্রিকাগী এ বি দি ভেল্লিয়ার্স (পোইন্ট ৮৮৭) গী হেক মতুংদা থাপ্পা ইন্নরি। সাউথ অফ্রিকাগী অতোপ্পা বেটসমেন হাশিম অম্লানা অপুনবা পোইন্ট ৭৭৮ ফংদুনা অহুমশুবা মফম কল্লি। ইন্দিয়াগী রোহিৎ শর্মানা অপুনবা পোইন্ট ৭৫০ ফংদুনা তরেৎশুবা মফমদা লৈরি।

ইংলেন্দগী বেটসমেন জো রুটসু পাকিস্তানগী মায়োক্তা শান্নখিবা সেরিজদা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীখিদুনা প্লেয়র ওফ দি সেরিজ এৱার্দ ফংখিবদগী অহানবা ওইনা মকোক থোংবা মঙাগী মনুং চনবা ঙমখ্রে। মশাগী চহী ২৫ শুরবা রুটনা সেরিজ অদুদা অপুনবা রন ২৭৪ লৌদুনা ন্যু জিলেন্দগী কেন ৱিল্লিয়মসন অমদি মার্টিন গুপ্টিলবু তুংওইনরম্লগা মরিশুবা মফমদা লৈখি। ইংলেন্দগী অতোপ্পা বেটসমেন এলেক্স হালেপসু সেরিজ অদুদা রন ২২৩ লৌবা ঙমখিবদগী হান্নগী মফমদগী মরি কাখৎলগা ২০ শুবা মফমদা লৈখি। অদুগা কেপ্টেন ইওন মোর্গানসু মফম মরি কাখৎলগা ২৪শুবা মফমদা লৈখ্রে।

পাকিস্তান্না ইংলেন্দগী মায়োক্তা শান্নখিবা সেরিজদা রন ২০৮ লৌখিবা অঝারনা হান্নদগী মফম ১৫ কাখৎলগা ৩৩শুবা মফমদা লৈখি। সেরিজ অদুদা রন ৩০০ লৌবা ঙমখিবা সরফৱাজনা হান্নদগী মফম ২১ হাইগৎলগা ৩৯শুবা মফমদা লৈখি। শ্রিলঙ্কাগী মায়োক্তা শান্নখিবা সেরিজদা ১-৪ দা মায় পাকখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী অরোন ফিঞ্চ হান্নদগী মফম অনী অমদি জোর্জ বাইলিনা হান্নদগী মফম অহুম কাখৎলগা মথংশিংনা ১৫শুবা অমদি ১৭শুবা মফমদা লৈখ্রে।

অমরোমদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী সুনিল নরিননা বোল্লরগী অহানবা মফমদা লৈখ্রে অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী মিটচেল ষ্টার্কনা মফম অনী কাখৎলগা অহুমশুবদা লৈখ্রে।